### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# নাপসানা এস এস য়ু ৱিকেট ৩দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজগ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা নাপসা খা-ইম্ফালনা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এসএসয়ু) শীংজমৈকক্ৱাবু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।




এস এস য়ু শীংজমৈনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৫.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ১১৩ লৌবা ঙমখি। এস এস য়ুগী বেটসমেন থাংজম সোমোরজিৎনা বোল ৫৯দা রন ২৮ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা শান্নরোয় ওইখি। এম দি অকিপ হুসেননা বোল ২২দা রন ২০, সমুরাইলাৎপম দিপানকরনা বোল ৩৬তা রন ১৫, চুংখাম গুগুনা বোল ২৪দা রন ১০ অমদি শৌগ্রাকপম দোগ্লাসনা বোল ১২দা রন ৮ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা নাপসাগী বোলর হৈস্নাম বোনিনা ওভর ৮ লংবদা মেদান ওভর ১ য়াওনা রন ২০ এক্সট্রা পীরগা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। অলবর্ট সোরোখাইবমনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা রোক্কি য়ুম্নাম অমদি তোংব্রম ধনকুবেরনা ওভর ৫/৫, বিপিন নিংথৌজমনা ওভর ৩ অমদি নেপ্রম রিচরনা ওভর ৬.২ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা নাপসা খা-ইম্ফালনা ওভর ৩১.৫দা ৱিকেট ৭ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা এস এসয়ুবু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

নাপসাগী বেটসমেন রিচার্দ ক্ষেত্রিময়ুমনা বোল ৪১দা রন ২২, তোংব্রম ধনকুবেরনা বোল ৩৪ অমদি প্রেমানন্দ অহোংশাংবমনা বোল ২৩দা রন ১২/১২, অলবর্ট সোরোখাইবমনা বোল ১৪দা রন ১৩ লৌবা ঙমখি।

এস এস য়ুগী বোলর সমুরাইলাৎপম দিপানকরনা ৱিকেট ৩, দিঙ্কু জিনা ৱিকেট ২ অমদি শৌগ্রাকপম দোগ্লাসনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা নাপসাগী ওল রাউন্দর হৈস্নাম বোনিনা অহানবা ইন্নিংসকী ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৩ অমদি অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা বোল ১২দা রন ১০ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ শগোলশেন নুমিৎতা এ কে এস দি ও খাঙবোক অমদি এন সী এ নিংথৌখোং অনীনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা লম্বা তৌনরগনি।

# নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ টামিল নাদুদা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা টামিল নাদু থাঙ-তা এসোসিএসননা শীন্দুনা ২৮শুবা সব-জুনিয়র অমদি সিনিয়র নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২২-২৩ ঙসি কন্যকুমারীগী সী এস আই হোলদা হৌদোকখ্রে।







হৌদোকপগী থৌরমদা ৱর্ল্ড মার্সিএল আর্টস য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোহন পিটরনা অথোইবা মীথুংলেন, ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা থৌরম মপু অদুগা থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট চুংখাম লোইদাংলৈমা অমদি টামিল নাদু থাঙ-তা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট পি সেলভা রাজ আসাননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেটকী নুপা অমদি নুপী থাঙ-তা শান্নরোয় ৬৭ অমদি ওফিসল ৬না শরুক য়ারি। ওফিসলশিং অদুদি নোংথোম্বম নোরেন মৈতৈ (টিম মেনেজর), লাইথাংবম চন্দ্রমণি (এসিষ্টেন্ট টিম মেনেজর), নাওরেম দেবাজিৎ (টিম কোচ), লাইশ্রম রাহুলকুমার (এসিষ্টেন্ট টিম কোচ), কোঞ্জেংবম থোইবী (ৱিমেন টিম কোচ) অমদি ওক্রম বোবী (এসিষ্টেন্ট ৱিমেন টিম কোচ)নি।

নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি সব-জুনিয়র কাঙলূপ্তা রেন্দি দল্লিয়ু, এন বিরনাথ মৈতৈ, সী ঐচ পোইরৈতোন, সী ঐচ গিনিস, জোন্সন ঐচ, এন য়ুরেজিস, কারিস সী ঐচ, কে য়াইফবা, ঐচ রিদেশ, প্রেমজিৎ এল, এন মংলেম্বা, রিওনেল ঐচ, ঐচ রোনাল্ডো, এল অলেক্স, ঐচ রোজর, এল চিঙ্খৌঙানবা লুৱাং, টি ঐচ মঙাল, এ ভুপেনরাজ, ঐচ প্রিয়োবর্তা লুৱাং অমদি ঐচ কৃষ্ণনন্দ; সিনিয়র কাঙলূপ্তা এম ত্রিনাবর্তা, এল নিলচন্দ্র, এন বিশ্বরজিৎ, এস সামন, এম অর্বিন্দ, কে চেতনজিৎ, অনন্দ এন, টি ঐচ মালেমঙানবা, কে মাইকেল, জেক্সন পি, ৱাই জেটলি, এস রোশলেন, পারি থোকচোম, কে এস ঐচলানমঙাং, টি ঐচ মোচা, এল লেনিন অমদি ৱাই খাগেম্বনি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা সব-জুনিয়র কাঙলূপ্তা ঐচ য়াইফবী, পি ঐচ নেভিতা, এম চঞ্জবী চনু, এল কলপনা, এন কোরৌঙানবী, এল দাইনা, এ মিক্কি, এল গাইত্রি, এল সনাথোই, টি ঐচ ইথোইবী, এল ভেলেন্টিনা, ঐচ আইশ্বরিয়া, এল জিনা, কে সুনিতি, এন পুস্পা, কে লক্কি, টি ঐচ লেম্বীসনা, এম থাজলেম্বী, এল এলিসিয়া, এস রোনিকা, এল লিংজেলথোইবী; সিনিয়র কাঙলূপ্তা এন জিবনলাতা, ও তোম্বীসনা, কে প্রিয়ানকা, এন প্রিয়ানকা, এল সেলি, এন তোম্বী, কে সন্ধ্যপতি, এস সনাতোম্বী অমদি ঐচ সিলভিয়ানি।

নীংশিংবায়াবদি, ষ্টেট থাঙ-তা টিম অসি জন্যুৱারী ২৫দা ময়াং ইম্ফালগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা লমথাদুনা টামিল নাদুগীদমক মণিপুর থাদোকখিবনি।

### মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

# এল ৱাই য়ু সীনা জুনিয়র নুপামচাগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসি-এসনগী লমজিং মখাদা ভিলেজ ইদিফাই টেন্যুর ওর্গনাইজেসন (ভেটো) হিয়াংখোংনা শীন্দুনা খা কাংজৈবুং হিয়াংখোংদা চথরকপা ৪৯শুবা জুনিয়র অমদি ৩৩শুবা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা এল ৱাই য়ু সীনা জুনিয়র নুপামচাগী ৱিন্নর অদুগা এমদাস্কামনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

হোষ্ট টিম ওইরিবা ভিলেজ ইদিফাই টেন্যুর ওর্গনাইজেসন (ভেটো) হিয়াংখোংনা জুনিয়র নুপীগী অদুগা সব-জুনিয়র নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

এমদাস্কামনা জুনিয়র অমদি সব-জুনিয়র নুপীমচাগী রন্নর্স অপ অদুগা সী সী ৱাই পি এ সীনা সব-জুনিয়র নুপামচাগী রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

হিয়াংখোং খা-কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র নুপামচাগী ফাইনেল মেটচতা এল ৱাই য়ু সীনা এমদাস্কামবু পোইন্ট ৬তা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

এল ৱাই য়ু সীনা পূন্না পোইন্ট ৩০ লৌবা ঙমখি অদুগা এমদাস্কামনা পোইন্ট ২৪ লৌবা ঙমখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ময়াং ইম্ফালগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন, লাফুপাৎ তেরা কোন্নাখোং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নিংথৌজম বসন্তনা থৌরম মপু অদুগা সোসল ৱর্কর থিয়াম সঞ্জয়, লাফুপাৎ তেরা হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর নিংথৌজম কুমার, ওল মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অয়েকপম জিতেন, সেক্রেটরি ৱাই শরত অমদি নেসনল এৱার্দী লাইশ্রম সনা মৈতৈনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং হৌরগনি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) একাদেমি মোইরাংনা শীন্দুনা চহী ৬তগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী নুমিৎ ২০নিগী ওইবা ৮শুবা গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং ক্লাস থা অসিগী ১৫দগী মার্চ ৬ ফাওবা মোইরাংগী ঐচ নিলমণি ঙাংখ লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক অমোফা একাদেমিগী সেক্রেটরিদা মোবাইল নম্বর ৮৪১৫৯৮২৬৩৭ নৎত্রগা ৮৭৮৭৩৮৭৭৩০দা পাউ ফাওরক্নুনা খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিগীদমক ফোর্ম ফংফমনা মোইরাং বজারদা লৈবা থাংজিং পেপর মার্ট অমদি মোইরাং লমখাইগী রোমি বুক ষ্টোরনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ১০ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

# ষ্টেট সোফ্টবোল টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): ওরিষ্যাগী পুরিদা থা অসিগী ৫দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৪শুবা সিনিয়র নেসনল সোফ্টবোল চেম্পিয়নশিপ (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) তা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা নুপা অমদি নুপী সোফ্টবোল টিম ঙসি ওরিষ্যাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

সোফ্টবোল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা ওরিষ্যা সোফ্টবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেটকী শান্নরোয় ৩০ অমদি ওফিসল ৬না শরুক য়ারি।

অমরোমদা, মণিপুর সোফ্টবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ষ্টেট টিমবু য়াইফ থৌজাল পীরক্লি।

# সহিদ মনোরঞ্জন ষ্টেট ওপন ফুটবোল ফেব্রুৱারী ৪দগী হৌরগনি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): আই জি পি মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সী আর পি এফকী লমজিং মখাদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ লম্ফেলপাৎনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগা খূৎশম্নুনা শীন্দুনা ১৩শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ৪দগী হৌদুনা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসি ২০০৯দা ছটিশগরদা নক্সলাইটশিংগা খূৎ থোক্নবদা লৈখিদ্রবা য়ুরেম্বম মখা লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা এন জি বুধচন্দ্র অমদি এন জি মেমচাগী মচানুপা এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট সহিদ এন জি মনোরঞ্জনগী মমিংদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টনি। টুর্নামেন্ট অসি ষ্টেট অসিদা ফুটবোল মশান্নবু প্রমোট তৌবা ওইনা ২০১০দগী হৌদুনা পাঙথোক্লকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ষ্টেট লীগ, সুপর লীগ অমদি দিষ্ট্রিক্ট লীগকী ৱিন্নরশিং য়াওনা পূন্না টিম ২৪না নোক আউট বেসিসতা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্টনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লাখ ৩ অদুগা রন্নর্স অপ টিমদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লাখ ২গী মনা পীগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।

### য়াইস্কুল দে এন্দ নাইট ফুটবোল

# বি এস সী অমদি এফ সী নোকফদে অনীশুবা সেমীদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): ব্রহ্মপুর সোসল ক্লব (বি এস সী)না শীন্দুনা ব্রহ্মপুর লালজি লাকপা লৈকাইদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা য়াইস্কুল এসেম্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইবা দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্নুনা বি এস সী অমদি এফ সী নোকফদে অনীনা থা অসিগী ৩দা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

গোল্ডন ফুটবোল একাদেমি (জি এফ এ) অমদি এ এস এনা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৫দা অহানবা সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি।

বি এস সী গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এফ সী নোকফদেনা বেদমিন্টনবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

এফ সী নোকফদেগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু সিকন্দর অমদি লিওনার্ডোনা শান্নবগী ১২ অমদি ২৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা বেদমিন্টন টিমগী টোন অমদি মায় পাকখিবা এফ সী নোকফদেগী থিট্টু অনীবু য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ূম্ফু টিম ওইরিবা ব্রহ্মপুর সোসল ক্লব (বি এস সী)না ৱাই সী বি-এবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখি।

বি এস সীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু রোবর্টসন অমদি নিশান্তনা শান্নবগী ১৫ অমদি ২০শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি। মেটচ অসিদা রেফরিনা ৱাই সী বিগী নন্দুবু য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

### ৭শুবা এমেচর মুইএ বোরান ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ

# মাষ্টর প্রেমচন্দ্রনা ইন্দিয়া টিমগী কোচ ওইরগনি



*সী ঐচ প্রেমচন্দ্র, অঙোম দিকিসন মৈতৈ, কে ঐচ মনিহার অমদি কে ঐচ সনায়াইমা (ওইদগী য়েৎ)*

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): থাইলেন্দগী ফানাকোর্ন সী অয়ুথায়া প্রোভিন্স ষ্টেদিয়মদা মার্চ ১২দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা ইন্টরনেসনল এন্দ থাই মার্সিএল আর্টস গেমসকা লোয়ননা ৭শুবা এমেচর মুইএ বোরান ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া টিমগী কোচ ওইনা মাষ্টর সী ঐচ প্রেমচন্দ্রনা শরুক য়ারগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেটকী শান্নরোয় অহুম অমসু ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারগনি। শান্নরোয়শিং অদুদি অঙোম দিকিসন মৈতৈ (কেজি ৬৭ মখা), খাগোকপম মনিহার (কেজি ৭১ মখা) অমদি খাগোকপম সনায়াইমা (কেজি ৭৫ মখা)নি।

পনবা য়াবদি, গুৱাহাটিগী কামরুপতা লৈবা রানী কোচিং সেন্টরদা হন্দক্তা জন্যুৱারী ২৭তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৯শুবা নেসনল থাই বোক্সিং ফেদরেসন কপ ২০২৩দা খাগোকপম সনায়াইমনা সিনিয়র নুপাগী কেজি ৭০-৭৫ কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। অদুগা স্কুল গেম ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা রিকগ্নাইজ তৌবা থাই বোক্সিং ইন্দিয়ন ফেদরেসননা অঙোম দিকিসন মৈতৈবুসু থাই বোক্সিংদা ইন্সট্রক্টর দিপ্লোমা পীরকখি।

অমরোমদা, মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্টস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কৈশাম জয়প্রকাশ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা শান্নরোয় অনীনা এচিভমেন্ট ফংলকপবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# কলচর পর্ফোর্মর অমদা কলচরগা মরী লৈনদবা স্পোর্টসকী পদ্মশ্রী পীবা হায়বসি থাঙ-তা স্পোর্টসপু নমথবনি : ঐচ দিনাচন্দ্র

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): হন্দক্তা লৈবাক অসিগী ওইনা লেমজনিংঙাই ওইরবা পদ্মশ্রী এৱার্দ লাউথোরকপদা ষ্টেট অসিগী শক্লাইরবা ওজা অনী হান্নগী এক্স এম পি থৌনাওজম চাওবা অমদি কলচর পর্ফোর্মর ককচিংতাবম সনাথোইববু খল্লকপদা হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফাওই। অদুবু থাঙ-তা স্পোর্টসকা মরী লৈনদবা থাঙ-তা কলচর পর্ফোর্মর ককচিংতাবম সনাথোইবু কলচরগা মরী লৈননা পদ্মশ্রী পীদদুনা থাঙ-তা স্পোর্টসকা মরী লৈননা এৱার্দ পীরকপা অসি মশান্না অসিবু নমথবনি হায়না হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী মেম্বর অমসু ওইরিবা সিনিয়র কোচ হুইদ্রোম দিনাচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।



ৱাফম অসি ঙসি মেজর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা ওজা সনাথোইবা থাঙ-তা স্পোর্টসকী শক্লাইরবা শান্নরোয় অমদি ওজা নত্তে। মহাক্তি শুপ্পগী কলচরগী ওইবা পর্ফোর্মিং আর্ট তৌজবনি। স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মখাদা নেসনল, ইন্টরনেসনল, ওলিম্পিয়ন কয়াবু হুন্দোক্লগা স্পোর্টস তৌবসু নৎতবা মীওইদা করম্না স্পোর্টসকা মরী লৈনবা পদ্মশ্রী এৱার্দ পীবনো। স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা রেক্কমেন্দ তৌবা ওইরগদি নেসনল, ইন্টরনেসনল অমদি ওলিম্পিয়নশিংবু ইকাইবা পীবনি।

থাঙ-তা স্পোর্টসকা মরী লৈনবা ওইনা পদ্মশ্রী এৱার্দ লাউথোকপা ওইরগদি থাঙ-তা মশান্নবু নেসনল, ইন্টরনেসনল, খেলো ইন্দিয়া, স্কুল গেমস য়ৌহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ওজা হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা মতৌ করম্না থাঙ-তাবু মালেমগী শান্নবুংদা য়ৌনবা হোৎনরিবশিংবু নাথৈরল্লগা স্পোর্টসকা মরী লৈনদবা কলচর পর্ফোর্মর অমদা করম্না এৱার্দ পীবনো হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা সনাথোইবদা থাঙ-তা স্পোর্টসকী ওইনা পদ্মশ্রী পীবা অসি লাল্লি। মসিবু শিল্লিবা রেক্কমেন্দ তৌরিবা মীওইশিংনা করপসন তৌরব্রা অমদি মণিপুর লৈঙাক্না লান্না নোমিনেসন তৌরিবা করিগীনো হায়বা ৱাফমশিং থল্লকপগা লোয়ননা পীরিবা এৱার্দ অসি ওজানা চিংলেম্না হন্দোক্কদবনি।

মণিপুর লৈঙাক্নসু নোমিনেসন অদু লাল্লে হায়গদবনি। মদু নৎতদুনা নম্ফু তৌরবদি ইন্দিয়াগী থাঙ-তাগী ষ্টেট পূম্বদা দেম্মক্রেটিক ওইনা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# রাশমণি হোক্কীগী ফিকচর দ্রো ফেব্রুৱারী ৫দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): মণিপুর হোক্কীগী লমজিং মখাদা য়ূঠ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টর (ৱাই সী সী আই সী) কোন্থা অহল্লুপ্পা শীন্দুনা ইবুধৌ মার্জিং গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা ষ্টেট লেভেল সব-জুনিয়র অন্দর-১৫ বোইজ অমদি অন্দর-১৭ গর্লস ৭-এসাইদ কেশ প্রাইজ হোক্কী টুর্নামেন্টকী ফিকচর দ্রো থা অসিগী ৫গী অয়ূক পুং ১০দা কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ৱাই সী সী আই সীগী শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না টুর্নামেন্ট কনভিনর ৱাহেংবম প্রেমচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা এফিলিএট য়ুনিটশিং অমদি ক্লবশিংগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা কনভিনর ৱাহেংবম প্রেমচন্দ্রদা মোবাইলগী খূথাংদা পাউ ফাওনদুনা টিমশিংগী এন্ট্রি ফী লুপা লিশিং ২ পীথোক্নবা খঙহল্লক্লি।

# মাবাগী ফাউন্দেসন দে পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (মাবা)গী ৪২শুবা ফাউন্দেসন দে সেলেব্রেসন থা অসিগী ৩গী অয়ূক পুং ১০দা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি হায়না মাবাগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ঐচ ধনজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

থৌরমগা মরী লৈননা ২০২১-২২দা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুরবা অমদি মেদল ফংলকপা শান্নরোয়শিংবু ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ষ্টেট রাঞ্জি ট্রোফি টিমগী রিসেপ্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা রাঞ্জি ট্রোফিদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারুরবা টিম ওকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ২গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৩০দা চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেগী ইম্পিরিএল হোলদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরমগা মরী লৈননা ক্লাসিক গ্রান্দেগী দাইনেষ্টি হোলদা মেনেজর, কোচ, সপোর্ট ষ্টাফ, কেপ্টেন, ভাইস কেপ্টেন অমদি সিনিয়র মেন সেলেক্টরশিংগা লোয়ননা ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমদি মেন্স ক্রিকেট কম্মিটিগী ওইবা টিম রিভিয়ু মীটিং অমসু পাঙথোক্কনি। মতুং তারকপদা শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংবু ওকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 704**

**Aaron Nimzowitsch - NN**

**Vorgabepartie (ohne weißen Turm) Wien, 1905.03.25**

1.Rf6 Qe5 2.Rxg6 Qe4+ 3. ...

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 703 Ans. :**

35. Qxh7+ The white queen decoys Black's king.

Your moves:35.Rxg7+

Your moves:35.Qd5+

Your moves:35.Ne7+

Your moves:35.Nf8

Kxh7 36. Rh5+ Kxg6 37. Nf4#

1-0

SHEMROCK KIDS GARDEN

for a ROCK-Solid Foundation

Ayangpalli Road, Porompat

POST VACANCIES

Shemrock Kids Garden invites applications from eligible persons for filling up the following post: -

| Sl. No. | Name of Post | Vacan-cies | Qualification | Experience Requiement |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Administrator | 1 | M.A in Edn. Planning & Adm., B. ed. | Min. of 3/4 years' experience |
| 2 | Admission Councellor | 2 | Graduate-preferably Diploma in Hospitality Managements | Min. of 1 years' experience |
| 3 | Floor Manager | 1 | Bachelor in Hospitality Management | Min. of 1 years' experience |
| 4 | Rhyme Teacher | 3 | Rhyme Training or D.El. Ed | Preferably 1 yr. experience |
| 5 | Primary Teacher | 6 | B. Ed | Preferably 1 yr. experience |
| 6 | Caretaker | 6 | 10th or 12th passed | Fresher can apply |
| 7 | Mother | 4 | VIII passed and above | Min. of 1 years' experience |
| 8 | Security In-charge | 1 | XII and above | 5-7 yrs - preferably Ex-serviceman |
| 9 | Transport In-charge | 1 | X and above | 5-7 yrs preferably Male |

*** SALARY FOR ALL THE ABOVE POST ARE NEGOTIABLE ***

1. The number of vacancies may vary as per requirements at the time of selection.
2. The school authority reserves the right to change the number of posts or not to fill up any of the post advertised.
3. The following are the documents to be submitted through WhatsApp : 9555164521 or Email at : hr@meeteicpl.com

a. Latest Resume
b. Recent Passport Photo
b. Experience certificate (if any)
c. Educational Qualification Certificate
c. Identity proof Aadhaar or Pan Card
d. Last date of Document submission on 06-02-2023

HL-P/5851/1,2,3

Date of Interview 08th February, 2023

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com